# মিষ্টর ৱর্ল্ডগী ইন্দিয়া ত্রাইএল য়াওরুগদবা বোদি বিল্ডরশিং খনখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৬ ঃ

চহীসিগী দিসেম্বর ৫ দগী ১০ ফাওবা মুম্বাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬ শুবা মিষ্টর ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৪ দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা বোদি বিল্ডরশিং খন্নবগী পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইএলদা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিং খনখ্রে।

গুজরাটকী বদোদ্রাদা নবেম্বর ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া টিম খন্নবগী ত্রাইএল অদুদা শরুক য়ারুনবগীদমক ঙসি ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফেয়র এসোসিএশন্না শিন্দুনা ত্রাইএল অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ত্রাইএল অদুদা খল্লবা বোদি বিল্ডরশিং অদুদি ফিটনেসকী কেটগোরিদা সুপর জিম খুরাইদগী অরাবা লাইতোঞ্জম, ৱাই পি আই এস এমদগী রোমারিও থৌদাম, কে এফ সি কাপ্পিপুরদগী অহৈবম তইবংঙানবনি।

নুপীগী কেটগোরিদা রোয়েল জিম নিঙোম থোংদগী কে রেবিতা, রোয়েল ফিটনেস সেন্তর থৌবালদগী টি ঐচ সরিতানি। জুনিয়রগী কেটগোরিগী কেজি ৭০ গী কাংলুপ্তা ৱাই ওপেন, কেজি ৭০ মথক্কী কাংলুপ্তা রোয়েল জিম নিঙোমথোংদগী এন সুরজ অমসুং প্রভাবতি ফিটনেস সেন্তরদগী টি ঐচ দয়ানন্দনি।

মাষ্টর কাংলুপকী চহী ৪০ দগী ৫০ ফাওবগী কাংলুপ্তা কে দিনেসচন্দ্র, কে জি ৫০ দগী ৬০ ফাওবগী কাংলুপ্তা পৱার জিম য়াইস্কুলদগী এম রঞ্জিৎ অমসুং ৱাই পি আই এস এমদগী সি ঐচ ইন্দিরা সিংহনি। চহী ৬০ মথক্কী কাংলুপ্তা কে এফ সি শিংজমৈদগী ৱাই নন্দো লুৱাংনি।

নুপাগী সেনিয়র কাংলুপকী কেজি ৬৫ মথক্কীদা য়ুনিক জিম নিঙোমথোংদগী টি ঐচ অথোইবা অমসুং কে এফ সি শিংজমৈদগী আই ইশ্বরচন্দ্রনি। কেজি ৭০ গী কাংলুপ্তা ৱাই পি আই এস এমদগী কে দিনেসচন্দ্র অমসুং ৩৫ অসাম রাইফলসতগী টি ঐচ দেবতাজিৎনি। কেজি ৭৫ মথক্কী কাংলুপ্তা মণিপুর পুলিসতগী কে অর্নোল্ড অমসুং ৩৫ এ আর রোয়েল জিমদগী এল মনোরঞ্জননি।

# লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন'স ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৬ ঃ

সৈজাং পোগ্রেসিভ য়ুঠক্লবকী স্পোন্সর মখাদা হাওরৈমা সম্পুবী সৈজাং ঐচ এস এসনা শিন্দুনা দব্লিয়ু তোলহল জুনিয়র হায়স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা খোমদ্রাম নিলধজ সিংহ মেমোরিএল লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন'স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এল এস আই সি লমলাই অমসুং ৱাই দি সি এল টিম এ পুংদোংবম গোল ২-২ দা দ্রো ওইখ্রে।

এল এস আই সিগী গোল অনী অদু এল অবোই অমসুং টি অমিৎনা চনখি। ৱাই দি সি এলগী গোল অনী অদু এ তেলহৈবেনা চনখি।

অনীশুবা মেচতা ঐচ এস এস টিম এ সৈজাংনা ৱাই দি সি এল টিম বি পুংদোংবম গোল ৭-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। অহুমশুবা মেচতা সি দব্লিয়ু সি নুঙ্গোই পৌরাবিনা ৱাই য়ু সি য়াইঙংপোকপী গোল ৪-২ দা মায়থিবা পীখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা মেচতা ও ৱাই এস দব্লিয়ু সি ওকসুনা টি ৱাই দব্লিয়ু এ টিম বি তখেল গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৬ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা মালোমগী ৱাই দব্লিয়ু সি গ্রাউন্দদা টিম ১২ না শরুক য়াদুনা চথরিবা থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা দব্লিয়ু এস সি ঙাইরাংবম অমসুং এফ সি লমশাং মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা দব্লিয়ু এস সি ঙাইরাংবম্না বি বি এ ময়াং ইম্ফাল গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা দব্লিয়ু এস সিগী গোলশিং অদু সন্দিপনা গোল অনী মেচকী ২৯ অমসুং ৩৬ শুবা মিনিটতা চনখি। অহুমশুবা গোল কে ঐচ তাইবংঙানবনা ৪৯ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থিহৌরবা বি বি এগী গোল অনী অদু তোলেন্না মেচকী ১৫ অমসুং ২৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এফ সি লমশাংনা পি সি সি ময়াই কোইবি গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এফ সি লমশাংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু সটমিনলালনা মেচকী ৩ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা এফ সি লমশাংগী এস গোলমৈ মেচকী ৪২ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

# এম য়ু ইষ্ট জোনগী মরিশুবা পোজিশন তাহৌরে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৪ ঃ

মিজোরাম য়ুনিভর্সিটিনা শিন্দুনা চথরকপা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি মেন'স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী রেঙ্কিংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি শুপ্নগী পোইন্ট অমখক ফংদুনা মরিশুবা পোজিশন তাহৌরে। রেঙ্কিংগী মেচতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অহানবা মেচ কোলকত্তা য়ুনিভর্সিটিগা দ্রো ওইখি। অনীশুবা মেচ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ত্রিপুরা য়ুনিভর্সিটিগী মখুত্তা মায়থিহৌখি অদুগা অহুমশুবা মেচতনা মিজোরাম য়ুনিভর্সিটিগী মখুত্তা মায়থিহৌখি।




HL-B-2104/27/10-10/11



HL-P-1981/23,25,27,29....



HL-B/2033/1-30/10



HL-B/2084-18 to 17Nov.



HL-B/2094/23 oct.-6 nov.





Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Pucca Building, Ground Floor (Manipur)
Editor : Hemantakumar Ningomba; RNI Registration No. 40746/1978; Tel # (0385) 2440771/2445104 (Advt. Section), (0385) 2445106 (News Section), +91-(0)9856594262 (Readers Care Number), e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com MNP-409, website:www.hueiyenlanpao.com